Civil Services (Main)
Examination- 2025

**SLPM–U–MNP**

# MANIPURI

## PAPER—I

## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Sections A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।


# MANIPURI

## PAPER—I

## ( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|


**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং পুম্নমক খুমগদবনি, পাউখুম খুদিংমক ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

*(a)* মীতৈ ময়েক্কী চাওখৎ খোংথাং অসি খরা হেন্না খুমাঙ চাওশিন্নবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মরমদা ইয়ু।

*(b)* কমপ্লেক্স সেন্তেন্স অমসুং কম্পাউন্দ সেন্তেন্স অনীগী খেন্নবা মশক অদু খুদমগা লোয়ননা তাকউ।

*(c)* সন্ধি অমসুং সমাস অনীগী খেন্নবা মশকশিং অদু খুদম পীদুনা তাকউ।

*(d)* অসপেক হায়বসি করিনো? মণিপুরী লোনগী অসপেক মার্করশিং খুদমগা লোয়ননা ইয়ু।

*(e)* মণিপুরী লোনগী জংরেগী মরমদা শন্দোক্লা তাকউ।

**2.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* মণিপুরীগী কেশ মখল কয়া লৈবগে? মখলশিং অদুগী মরমদা খুদমগা লোয়ননা ইরকউ। 5+15=20

*(b)* মণিপুরী লোনগী ৱার্দ ওর্দরগী মরমদা শন্দোক্লা তাকউ। 15

*(c)* মণিপুরী লোনগী কম্পাউন্দ ৱার্দশিং করম্না শেমগনি? মখোয়শিং অসি শেম্বগী মওংশিং খুদমগা কোন্ননা ইরকউ। 15

**3.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* কোন্সোনেন্ত খোন্থোকশিং—চ, ফ, থ, ব, দ, গ, ঙ, স, হ, য় অসিনচিংবগী আর্তিকুলেতরী দিসক্রিপসন পীদুনা তাকউ। 20

*(b)* তেন্স অমসুং তাইমগা অনীগী খেন্নবা তাকপগা লোয়ননা মণিপুরী লোনগী ওইবা তেন্সকী মরমদা নৈনরকউ। 15

*(c)* সফিক্স হায়বসি করিনো? সফিক্সনা মণিপুরী গ্রামারদা মরু ওইরিবগী মরমশিং নৈনদুনা তাকউ। 15

**4.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* মণিপুরী লোনগী ফ্রেজ মখল কয়া থোক্লা খায়দোকপা য়াবগে? মখলশিং অদু খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা তাকউ। 5+15=20

*(b)* মণিপুরীগী ভাউঅল খোন্থোকশিং—অ, আ, ই, এ, ও, উ অসিনচিংবগী আর্তিকুলেতরী দিসক্রিপসন পীদুনা তাকউ। 15

*(c)* মীতৈ ময়েক্কী মরমদা হৌজিক ফাওবদা চৎথরক্লিবা নৈনরকপগী খোংজেন অমদি খোংথাংগী মরমদা ইরকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি, পাউখুম খুদিংমক ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুম্মু : 10×5=50

*(a)* অঙনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী হীরম, লোন অমসুং খুৎইগী মরমদা শন্দোক্লা তাকউ।

*(b)* মণিপুরী মিথোলোজিকেল লেজন্দগী ৱারী অমগী মরমদা নৈনরকউ।

*(c)* তরানিপালশুবা চহীচাদা মণিপুরী সাহিত্যদা হোংলক্লিবা মরুওইবা শক্লোনশিংগী মরমদা নৈনদুনা তাকউ।

*(d)* মহারাসতা নট-সংকীর্তনগী মরু ওইরিবা মশক অদু ইরকউ।

*(e)* মৈতৈগী খোঙ কাংজেগী মশান্নগী মরমদা শন্দোক্লা তাকউ।

**6.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* সিনক্রেতিজম হায়বসি করিনো? কলচর অমদা মসি করম্না থোক্লকপনো? মণিপুরী কলচরদা থোকখিবা সিনক্রেতিজম খরদংগী মরমদা নৈনরকউ। 3+3+14=20

*(b)* অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যদা মোদর্নিস্ত কবি অমা ওইনা খঙনবা কবি নীলকান্তগী শৈরেংগী খুৎই নৈনদুনা তাকউ। 15

*(c)* পাউখোংগী শক্তাক ৱারোল পিবগা লোয়ননা মণিপুরী পাউখোংগী মখল খায়দুনা খুদমগা লোয়ননা নৈনৌ। 15

**7.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* ফোকলোরিস্ত অমগী ফুঙ্গাৱারীগী শক্তাক ৱারোল পীবগা লোয়ননা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীদা য়াওরিবা সমাজগী মশক নৈনদুনা তাকউ। 5+15=20

*(b)* অরিবা মতমগী লাইরিক 'পাম্বোংইবী খোঙ্গুল'গী থোইদোকপা থিম অমসুং স্তাইলগী মরমদা ইরকউ। 15

*(c)* লাই হরাওবদা লাই ই-কৌবগী য়াম্না মরু ওইরিবা থৌরম অসিগী মরমদা মরিক চুন্না ইরকউ। 15

**8.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* অনৌবা মণিপুরী সাহিত্যনা য়াকাইরকপদা খ্বাইরাকপম চাউবনা ইরম্বা সাহিত্যগী মখল মথেলগী ওইবা খুৎইশিংগী মরমদা নৈনরকউ। 20

*(b)* চহী চা কয়া পাঙথোক্কুনা লাক্লিবা লাই হরাওবগী থৌরম্না মণিপুরীশিংগী নাৎপু শকতাক্লি হায়রিবসি মরিক চুন্না নৈনদুনা তাকউ। 15

*(c)* ময়াই চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগী খুদোল অমা ওইনা 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙব' হায়রিবা লাইরিক অসিগী খুৎইগী মরমদা নৈনরকউ। 15

* * *